## এডিটোরিয়েল

### অতেবা ষণনা ৱাইরগা শরু ফংই

*হৌখিবা চহি কয়া অসিদা মণিপুরদা খুন্দা–লৈতামীন্নদুনা লাক্লবা মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা অমনা–অমবু কল্লক –য়েংথিনবগী থৌদোক কয়া মথং মথং থোক্তুনা লাক্লি। নাগা –কুকিগী অকনবা মীওই কাংলুপ অমবু মপুং ফানা মুৎথৎনবা হোৎনখিবা অকনবা ঈহৌ অদুদা ঈ মশেল মরক্তা অদুগুম্বা থৌওং চৎথবা য়াদে হায়না থিংখিবসি মণিপুরগী মেজোরিটি ওইবা য়েলহৌমী –মৈতৈশিংননি। ষ্টেটসিগী মপুং ওইবা পোপুলেসন অসিনা ঙসি ফাওবা য়েলহৌমী ওইনা পুন্না হিংমীন্নরক্লিবা ষ্টেট অসিগী মীওই কাংলুপশিংগীদমক লেপ্তুনা লাক্লি হায়বসি মমাংদা থোকখিবা পুৱারীগী থৌদোক কয়ানা অদুমক তাকচরবনি। মসিদা মপালগী ইন্‌ফ্লুয়েন্স কয়ানা মরম ওইরগা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসি অমদা কাংলুপ খরনা তোঙান–তোঙান্বা ফিরেপশিং লৌরক্তুনা লমদমসিগী লৈঙাক্তা শিংনবা কয়া লাকপা অসি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবা থৌওং ওইগনি খল্লি। মেজোরিটি কম্যুনিটি অসিনা ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা ষ্টেটসিগী মীওই কাংলুপ খুদিংমক্কী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা অমসুং মদু কায়হন্দনা থম্নবা খল্লগা লৌখিবনি হায়বসি য়েলহৌমী পুন্নমক্লা খঙফম থোকই। মতম অমদা পাউ ফাওনদবা অমদগী ষ্টেটসিগী মেজর কম্যুনিটি ওইরিবা মৈতৈশিংগা মৈতৈ পাঙলশিংগা শিংনবগী থৌদোক অমা থোকখি। মদু খ্বাইদগী লাইবক থীবা থৌওং অমনি হায়না মৈতৈশিংনা লৌখি অমসুং পুন্না খুন্দামীন্নদুনা লাক্লবা মীওই কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং অমনি হায়বসি নাকল অনিমক্লা য়ান্নখিবনি অমসুং মদুগী মখা তারকপদা থোইদোকপা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম্না ইন্দো–নাগা পিছ একোর্দকী মীয়ামদা ফোংদোক্তবা কন্দিসনশিং অদুগী মখা তারকপদা য়েলহৌমী কন্নবা মণিপুর সরকারনা পাস তৌখিবা বীল অহুম অসিগী মখা তারকপদা বীলশিং অদু এন্টি ট্রাইবেল ওই হায়না ফোংদোরকপা অমদি তোঙান্বা নাগা অমদি কুকিশিংগী লৈফম তাল্লকপা হায়বনচিংবশিং অসিনি। মৈতৈশিংদা শিংনবগুম্না থোকপা থৌদোক কয়াদা য়েলহৌমী মশেলনি হায়দুনা মণিপুরদা চহি লিশিং খরগী মমাংদগী খুন্দা –লৈতামীন্নরক্লবা মীওই কাংলুপ অমত্তনা মৈতৈশিংবু শৌগৎপা ৱাফম অমত্তা ফোংদোরকখিবা লৈত্রি। মণিপুরগী মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক্তা কাংলুপ খাইদনা ঙসি ফাওবা থেংনরক্লিবা অসি মেজোরিটি ওইবা মৈতৈশিংনি হায়বসি খ্বাইদগী চুম্লবনি । কাংলুপ অতৈনা মসিদা থোইদোক্লা মতেং পাংলকপা লৈখিদে। মসিগী মথক্তা ১৯৬১ দা শেমখিবা মণিপুর লেন্দ রেকোর্দস এন্দ রেভিন্যু রুলশিংদা য়েংলুরগসু মীয়োক মীচান ফবা মৈতৈশিংনা চীংগী লমশিংদা খুন্দাবা তৌরুদবা অমদি চীংমীশিংনা অপাম্বা মতুং ইন্না তম্পাক লমদা খুন্দাবগী অয়াবদি পীদুনা লাক্লিবনি।*

*মীশিং য়ামখৎলকপগী য়েংলুরগদি লমদমসিদা পুন্না খুন্দা –লৈতারিবা মীওই কাংলুপ খুদিংমক্লা য়ান্নরগা অমনা অমগী মতেং পাংনবগা লোয়ননা লৌউ–শিংউগী পোৎথোক খ্বাইদগী হেন্না ফজনা থোক্লিবা তম্পাক লম অসিনা মণিপুরগী পোপুলেসন পুম্বগী চাকথাক পীরিবনি খল্লগা তম্পাক্তা লৌউ–শিংউগী এক্টিভিটিশিং পায়খৎনবা য়োকখৎতুনা থম্লগা তঙাইফদবা মহৈ–মশিং তম্বা , হকশেলগা মরী লৈনবা হোস্পিটালশিং অতৈ মরুওইবা দিপার্টমেন্টশিং অসি চীংগী লমশিংদা থম্নবগী থৌরাং ফাওবা লৌখৎপা য়ারবনি । হায়রিবা ৱাফমসিমক অনৌবা ৱাখল্লোন অমদা লাক্তুনা সরকারগী থৌশিল পুম্বা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা তার্গেট তৌদুনা পায়খৎনবা থৌরাং কয়া তৌরক্লিবনি। মসিদা হঞ্জিন–হঞ্জিন অপুন্বা মণিপুর অমগী ৱাখল্লোন অদুগী ৱাংমদা পুন্না লৈমীন্নরক্লবা য়েলহৌমী কাংলুপশিংনা তোখায় তানবগী অমদি মৈতৈশিংবু য়েংথীবগী ৱাখল কয়া ফোংদোরকপা অসিনা মৈতৈশিংবু খোইরাং খোইশাওনহল্লে হায়বসি য়াম্নমক চুম্লবনি। মসিদা মতম চুপ্পদা ঈংথদুনা অপুন্বগী ৱাখল্লোন শাগৎলিবা মৈতৈশিং অসি ৱাখল খন্বা ঙমদবা কাংলুপ অমগুম উবা লানগনি। করিগুম্বা মতম চুপ্পদা অৱাবা খাঙলক্লবা অমসুং লমদমসিগী অপুন্বা শক্তম ঙাকপগা লোয়ননা পুন্না খুন্দা লৈতামীন্নরক্লবা মীওই কাংলুপশিংগী য়াইফনবতা খল্লিবা ষণ অতেবা অমনি হায়না লৌরিবা মৈতৈশিং অসিনা অশাওবগী পনখৈ নত্রগা খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ অদু লাম্বোক্তুনা লাকপা তারগদি ষণ অতেবনা ৱাইবদা শরু ফংই হায়বা মৈতৈগী পাউরৌ অদুগা মান্নবা থৌদোকশিং থোকলক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। মদু থোক্তনবা শিন্না হায়বসি মীওই কাংলুপ খুদিংমক্কী ৱাখল্লোনগী মখা পোনগনি। ষণ অতেবনা ৱাইহনদনবা য়াম্না কুপ্না অমদি মুন্না খন্নহৌবগী তাঞ্জা অদু নাম্বোকহনদবা ফৈ।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### য়ু য়োনবা অমসুং থকপা

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

ঙসি ইরৈপাক ইরমদম অসি নোংমা নোংমগী নিষাগী ঈপাক্তা লুপশিনবগুম তৌরক্লে। মরুওইনা য়ু অসি নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমা ওইবগুম তৌরক্লে। নাৎকি ওইবা থবক থৌরম ফাওবদা য়ু অসি য়াওদবা ইয়ামক য়াদ্রবা পোৎচঙ অমগুম লৌনরক্লে। অহল–অঙাং খায়দে পূম্নমক চপ মান্নবগুম্লে। লৈকায়গী লম্বী সরক্তা ফমজিন্দুনা য়ু থকচিনবা কয়াসু ইতৎ তত্তনা উরক্লি। মসিমক্তি তশেংনা য়াম্নমক ফত্তবা থৌওং অমনি হায়জনিংই। মশা–মশা মাঙবতা নত্তনা তুংগী হৌরক্লিবা নহাশিংগী ৱাখলদসু অহোংবা কয়া পীরি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী লৈকায়গী অহলশিংনা য়ু থকপদু উরক্লবদি নহাশিংগী ৱাখলদসু য়ুবু য়াম্না লায়না করিসু লৈতনা খল্লকপা অমসুং মহাও য়েংনিংলকপা য়াই। মরম অদুনা লৈকায়গী অহলশিংনসু জ্ঞান তাবীদুনা থক–চারবসু লৈকায়গী ৱাংমদা, নুপী–অঙাংশিংগী মীৎয়েংদগী থাপতোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি। মতাং অসিদা থমজনিংবা অমনা, লৈকায় খুদিং য়ু য়োনফম লৈতবা য়াওরম্লোই খল্লি। য়ুগী মাঙজবা পূম্নমক ময়াম্না খঙনরবসু য়ুবু লৈকায়দগী লাপ্না তাম্বোকপদি ঙম্নদ্রি। লৈকায়দা নক্লা য়ু য়োনফম লৈবনা ইরাই লায়না য়ু ফংহনবগী মরম অমা ওইরি। য়ুবু পুমথিং থিংবদি খরা ৱানা থোক্কদবা মরম্না লৈকায়গী মপী–মপাশিংনা অদুগুম্বা ফত্ত্রবা য়ু য়োল্লিবা অদু লৈকায়দগী মফম খরা লাপ্না থম্বীরবদি থকপা চাবগী চাং খরামখৈদি হন্থরকপা য়াই খঞ্জে। পূম্নমকশিং খ্বাইদগী ফবা অমা হায়জবা তারবদি, অসিগুম্বা ফত্ত্রবা চীঞ্জাকশিং অসিদগী ঐখোয় মতম পুম্বদা লাপ্না লৈবা অসিনি হায়জনিংই।

অদোমগী
কোৱ্রা খুমনচা
থাংমৈবন্দ।

# লৈচাওরোল ইনখৎলিবা মেরা হৌচোংবা চাওখৎহনখি

অদুঙৈ কংলৈপাক মণিপুরগী লৈচাওরোল (সিভিলাইজেসন) বু মাঙদা ইনখৎলম্বা অদুগুম্বা কংলৈ নাৎকী মশক–মচু অমসুং মপাঙ্গল মগুণ য়েংগে হায়রবদি, লমদমসিগী মেরা থাগী নাৎকী কুম্মৈশিং মরুওইনা মেরা হৌচোংবা / মেরা হাওজোংবদা মীৎয়েং থম্লগা খঙবা ঙমগনি। কংলৈচাশিংগী মফমদদি মেরা থা অসি নাৎ–লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মান্নবা পুন্সিরোল অমসুং খুনাইরোল শেন্‌ফম্নি অমদি মপাঙ্গল লৈবা লৈঙাক লৈশেম্লোনগী হৌরকফম্নি। নাৎনা লমজিং ওইরগা অচৌবা অপীকপা, চীংবুরোয়–তুম্বুরোই খায়দনা মান্নবা থাক্তা নুংশি চান্ননা লোয়নমিন্নবা অমসুং মীয়ামগী থাক্তা মরা চেৎপা লৈশেম্লোন লিংখৎনবা হোৎনবগী পান্দম লৈবা নাৎকী কুম্মৈশিংনি।

মেরা থা অসিদা লৈখ্রিবা নাৎকী কুম্মৈশিং অসি মমিং য়াম্লবসু অমগা অমগা শেৎন–খাইনবা য়াদনা মরী লৈনৈ। মেরা মেন তোংবা, মেরা চাউরেল হৌবা, ক্লাক তান্বা, উকায় কাপ্পা, মেরা হৌচোংবা / হাওজোংবা অসিনচিংবনি। মেরা থাগী নোংমা পান্বদগী হৌরগা থা অমা চুপ্না লৈবাক নিংথৌগা লোয়ননা নাৎকী থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লি।

মেরা মেন তোংবা হায়বসিনা লৈবাক্কী নিংথৌনা মীয়ামগা লোয়ননা কংলা মেনদা পাঙথোকপা কংলৈপাক মণিপুরগী অমত্তা ওইবগী, হৌরকফম পু তিন্নবগী ,ঈচিন–ঈনাও ওইবীগী অমসুং নুংশিচান্ননা হিংমিন্নবগী কুম্মৈনি। মসিবু মেরা মেন তোংবা হায়না খঙনৈ। অদুগা মেরা চাউরেল হৌবা হায়বসিনা কুম অমগী অনৌবা লোকপা ফৌবু লাইনিংথৌ–লাইরেম্বীদা কৎচদুনা মহৈ–মরোং ৱাত্ত–পাদবা অমসুং পুন্সি নিজবগী থৌরম পাঙথোকপনি। মেরা থাদা লৌ শুবগী খুৎ থাবগা লোয়ননা ফৌগী চাথোক নৌনা ফংনরে। নৌনা ফংজবা পোথোক অসিবু মহৌশা লাইরেম্বী ওইরিবী লৈমরেন্দা কৎচবনি অমসুং মদুবু চনৌ তংবা পাঙথোকচবনি হায়দুনা মেরা চাহৌ থা হায়নসু খঙনৈ। মেরা চাউরেল হৌবগী অথুপ্পদি, লৈবাক্কী নিংথৌদা লৈবাক মীয়াম্না চহিগী ওইবা লৌ ইংখোলগী অশানমল (টেক্স) অমসুং লম্বাল (লম শীজিন্নবা অমসুং উমংগী পোথোক শীজিন্নবগী মমল) অমদি লোইপোৎনচিংবা চাগা কাবা হৌবা থানি হায়দুনা মেরা চাউরেল হৌবা কৌই হায়বসিনি (য়ুম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র)।

মেরা হৌচোংবা হায়বসিনা লৈশেমঙৈদগী হৌনা পুন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নরক্লবা চীংমী–তম্মীগী অপুন্বগী ওইবা লৈবাক মীয়াম অমসুং নিংথৌ য়াওনা পাঙথোকপা নাৎকী থৌরম্নি। থালোয় নোংখায় লোন কৌবা পুয়াগী মতুংইন্না, চীংখোঙ পোইরৈতোন্না হৌদোক্লম্বা মেরা থাদা মৈতৈ নিংথৌরেলগী কোকয়েত্তা হি য়াইগী লীক পরেংনা লৈতেংদুনা মেরা হৌচোংবদা শরুক য়াই। চেং অনৌবনা অথেলপোৎ কত্তুনা, কংলা শীন্বা খুৎনা মেরা থাল্লগা মৈ ওক্তুনা অমসুং অমাইবা অমাইবীনা হিরি কোন্দুনা, নোয়–পেল্লবা য়েনবা অমুবা কত্তুনা, হৌখ্রবা অরিবা কুমনা উপ্না অদুগা লাক্লিবা অনৌবা কুম্না লোংনা কোরৌ মালেম অনিগী তাইনফম ওইরিবা লাই ঈরাৎফমদা চুপ সেং থাদুনা থৌনিজৈ হায়রি। চীংবুরোয়–তম্বুরোয় অনিমক্কী মীয়ামগীদমক অমসুং লৈবাক্কী মপু ওইরিবা লৈমা নিংথৌ অনিগী পুন্সি নুংশাংনবা অমদি নুংঙাই য়াইফনবা থৌনিদুনা খোইমোম লাইরোনবু ঈরাৎচৈ।

চীংগী নিংথৌ অমসুং খুল্লাকপশিং অমদি তম্পাক্কী অঙম–অথৌশিং অমদি মীয়াম পুম্নমক্লা পোৎলমশিং পুরক্তুনা নিংথৌদা খুদোল তৌজৈ। লৌ–ইংখোলগী অশানমল, লম শীজিন্নবগী মমল অমসুং উমংগী পোথোক শীজিন্নবগী মমল ওইনা নিংথৌদা লোইপোৎ কাজৈ। চীংবুরোয় মীয়াম্না লাম্মী–মপৈগুম্না লাউ–খোংদুনা, মকোক্তা চীরোঙ থেত্তুনা শা মউন্না শাবা অমসুং চুঙগী মচিদা য়ানবা শরুক্লি। খ্রীং খ্রীং খ্রীং লাউবা খোঞ্জেলনা নিলহল্লি। জু জুম লাউবা লৈ পরেংনা, মঙক্তা য়াম্বা চুঙবু ওইরোমদা য়েপ্তুনা চীংমীশিংগী শাগোন্নবা

হাওবা

মশা কন্নবা মখুৎ শু তা অমসুং য়োৎনা মখোক পাম্বা তাবু–তাখোক্কী ময়াইদা পায়দুনা খৌশারোলগী খোঙখপ কুঙনা কুঙনা খপ্তুনা চীংমী ঈরৈচাশিংনা চোং–চোংদুনা জগোয় শাবা কুম্মৈ মেরা হাওচোংবনি হায়রি।

‘মেরা থা’ কৌবা লাইরিক্তা ইরিঃ হাওজোংবা হায়বসি চীংতম নুংশিনদুনা লৈবাক মরা চেৎনবগী মেরা থাদা পাংথোকপা লৈবাক নিংথৌগী থৌরম্নি। হাওজোংবদা হাও মীতৈ ইচিন–ইনাও পুন্না অকন–অথৌ তান্নৈ, তা হুন্নৈ, শুক লংনৈ, নুঙ হুন্নৈ, তেন কাপ্নৈ, অরুম্বা থাঙ্গৎনৈ। অথোইবা অকন্ববু নিংথৌনা মনা পী। চীংগী অকন–অথৌশিংদা খামেন চৎপা মনা পীথোকই। হাওজোংবা থৌরম শরুক য়ানবা কুম্মকপা চীংবুরোয় খুদিংমক্লা লশিং মপোপ অমা, পাল মনাও অমা, শিং মনাও অমা পোলাং পোনচেপ মচা অমদা হাপ্তুনা পুরকপা অদুবু ‘তাঙবল লোয়’ কৌই। মখোয় পুম্নমকপু নিংথৌনা হেন্তাপ পীকথন্না হাল্লগা মনিল চৎহন্দনা চেকশিন্না খুমজিল্লবা চফু অমমম খুদোল তৌই, চীংবুরোয়শিংনা মখুলদা, চীংদা কাখিগদবা নোংমগী মমাঙদা সনা কৈথেলদা থাদোক্তুনা মখোয়না চানিংবা অথুম–অহাও মনিং তম্না চাহল্লি। মখোয়না চাখিবগী মমল পুম্বা নিংথৌনা পী। অনিমক্লা পীনরিবা খুদোলশিং অসিনা তাক্লিবদি, চীংমীনা লশিং থাদুনা ফি থোনগনি, পান্নাও শিংনাও তাবগুম্না ঈচা–ঈশু য়াম্না পোক্তুনা, খুৎকন–পাঙ্গন্দুনা ইমা লৈবাক ঙাক্কনি অমসুং তম্মীনা চীংমীদা হেন্তাক খুদোল তৌরিবা অসিনা চীংদা ঙা–চাক ৱাৎলকপদা তম্বুরোয় মচীন–মনাও লৈরি হায়দুনা অৱাৎপশিং পীরক্কনি অমদি খুৎশেমগী মথেল–মহাও তংবা হৈমিন্নদুনা নিংমিন্নগনি হায়বনি হায়রি।

মেরা শন্দুবা হায়বসিনা সন্দংবু কংলা নুঙ্গোয়বীদা চল্লগা ঈরাৎ–ঈশোল তৌদুনা নুঙ্গোইবী লাইরেম্বীদা কৎলগা লোইবী হেন্বা ঈপাচাশিংদা পীজবগী থৌরম্নি (কাংজিয়া মঙাংগী ‘চীংমী তম্মীগী হৌরকফম’)

ক্লাক তান্বা হায়বসিনা, থৌরম তৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ক্লাক তানগদবা মফম অদুদা অহাও–অথুম কবোক অফাবনচিংবা চাইদুনা থম্লগা ক্লাকশিং কৌদুনা থেমদুনা থম্মী। নুমিৎ অদুগী অফবা পুংফম য়েংদুনা ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাংথোকই। পুঙফমগী মতুং ইন্না, অঙম অথৌশিংনা অমাইবা অমাইবীগা লোয়ননা চৎলগা অহৌবা খোঞ্জেল থোকপা ‘ৱা কবোক’ য়ৈদুনা ক্লাকশিং অদু তানখায়, হৌজিক্তিঃ নোংমৈ কাপ্লগা তানবা চৎনরক্লে, অসুম্না ক্লাক্লা পাইখিবা মায়কৈ অমসুং মওংগী মতুংইন্না কুম অদুগী অফবা ফত্তবগী খুদম খঙনবা হোৎনৈ,

লোইতোংবা মুহিন্দ্রেগী ‘লোয়দাম মেরা থা’ গী মতুংইন্নদি, চীংমী তম্মীগী কুম্মৈ ওইরিবা ক্লাক তান্বা অসি মীওইবগী থম্মোয় পেলহন্নবগীদমক্তা থনুংগী লান শোক্লবগা মরী লৈনবা লৈবাক্কী থৌরম্নি। মীওইবদা ক্লাক্কী মচৎ লৈজৈ। মসিবু হকচাংগী কয়াৎশিংনা পুশিল্লকপনি। মীৎ নাকোংনচিংবা খঙহৈবগী কয়াৎ ৫ না মপানগী পোৎশকশিংদা লৈরিবা মহাও অদু থনুংদা পুশিল্লত্তুনা পুক্লিংবু নীংশিহল্লি। খোঙ খুৎনচিংবা থবক পাঙথোকপা কয়াৎ ৫ না পোৎশক অদুগী মহাওবু হকথেংননা লৌদুনা কয়াৎশিংবু পেলহনগে নীংলকই। মতমদুদা কয়াৎ ১০ মক্লা পুক্লিংগা তিন্নরক্তুনা শমজিন্নরে। কয়াৎশিংনা অফ–ফত্ত খন্দোকপা ঙমদে, পোৎকী –মহাওদা ঙাওখৎলকপা অদুমক কয়াৎশিংগী হৌনশানি, অসিগুম্বা অফ–ফত্ত খন্দোকপা ঙমদবা মীওইবগী মচৎপু ক্লাক্কী মচৎ কৌই অসুম্না কয়াৎশিংদা ক্লাক্কী মচৎ পকই, ক্লাক্কী মচৎ পক্লিবা কয়াৎ ১০ না পুল্লগা মীওইবগী হকচাং ওইরিবনি। অসুম্না মীওইবগী থম্মোয়দা পক্লিবা ক্লাক কুম্বগী অমোৎপা, করাম্বা অমসুং লমচৎ নাইদবা মচৎ অদুবু তাম্বোকপগী ৱাহন্থোক পীবা থৌরম্নি। মীওইবদা য়াওরিবা ক্লাক্কী লমচৎ তাম্বোকপা হায়বসি অরায়বদি নত্তে, ঙমগন্দে। থনুংগী অচৌবা লান অমা চঙঙি। মদুগীদমক থৌনা অমসুং শাজেল চঙঙি হায়বা তাক্লিবা ক্লাক তান্বগী থৌরম্নি হায়বসিনি।

পুৱারীগী ওইনদি, ক্লাক তান্বগী থৌরম, অসি মোইরাং কংলৈরোন্দগী থোরকপনি হায়না মেরা থা দা ইরি। মমিংনা ক্লাক্তা উকায় ফলাং কাপ্পা কৌরম্বনি। মোইরাংগী ক্লাক্তা উকায় কাপ্পা অসি মুৎথৎলগা ইম্ফাল কংলাদা ক্লাক তান্বা কৌদুনা চৎনখিবনি হায়রি। মসি কংলৈবাক্তা থায়নদগী হৌদুনা পাংথোক্তুনা লাকখিবগী খুদমশিং লৈরি। মৈদিংঙু খুই নিঙোম্বা ( ৩৬৪–৩৭৯) স্নাহাক্তক্তা লৈবাক্কী ক্লাক তানবা অমসুং উকায় কাপ্পা পাঙথোকখি। মৈদিংঙু তেলহৈবা ( ১৩৩৫–১৩৫৫) না মেরা থাদা ক্লাক্কী মচীঞ্জাক পীজদুনা ক্লাকৈথেলদা ক্লাক তানখিবগী ৱাফম ইরি (লোয়দাম মেরা থা)।

উকায় কাপ্পা থৌরম অসিগী হৌরক ৱারী চাউরাকপদি মথক্তসু পনখ্রে। মসি ক্লাক তানবদা লোয়ননা অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম্নি। য়ুম্নামচা কুকিচন্দ্রগী মতুংইন্না, উকায় হায়বদি উনা শাবা মিতমবু খঙনৈ। থৱাইগী লৈফম্নি হায়দুনা হকচাংবুসু কাই কৌনৈ। ক্লাক তান্বা নুমিত্তা নিংথৌ নৎত্রগা নিংথৌগী মহুৎশিন্না লানচিং পুরেলনা উকায় (উনা শাবা মিতম) অদুদা পান্দমদুনা তেন কাপ্পী। লাইবক, মীৎ, খৌরী, থবাক্লচিংবদা পাল্লু–পাল্লুবা মফমগী মতুংইন্না , কুম অদুগী লাক্কদবা অফ–ফত্তগী খুদম খঙনৈ। অসুম্না ক্লাক তান্বা অমসুং উকায় কাপ্পা থৌরমশিং লোইরবা মতুংদা থাঙ–তা পায়রগা শা–লান লোইবগী খোমজীন তাশিন্বগী মওংদা ‘অখম থেলকৌ’ নচিংবা শারগা ক্লাক তান্বা অমসুং উকায় কাপ্পগী থৌরম লোইশিল্লি।

অসুম্না মেরা থাদা পাংথোক্লিবা থৌরমশিং অসি মেরা হৌচোংবনা খ্বাইদগী পান্দম তান্বা (পোলিটিকেল) ওইরবসু থোইদোক্লা ৱাহন্থোক লৈবা ঙাক্তনি অমসুং অমগা অমগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী লৈনরিবনি। মেরা হৌচোংবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরম ওইরবসু, মেরা থাদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক্কী নিংথৌগী থৌরমশিং অসি য়াওদ্রবদি মেরা হৌচোংবা পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। মসি স্নাকোনুংগী থৌদাং য়াওদনা পাংথোকপা চুমদে। লৈবাক্কী নিংথৌ খক্তংনা চীংবুরোয় ঈপাচাশিং য়াওদ্রবদি হাওচোংবা পাংথোকপা য়াদবগুম্না, দিমোক্রেসিনি হায়দুনা পঙপাং –পাঙথোক্লবনা ওন্নতৈনবা মায়কৈদা চৎখিগনি। মণিপুর পুৱারী লৈরকখিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা (৩৩–১৫৪) স্নাহাক্তক্তগী হৌনা চৎনরক্লবনি। মৈদিংঙু ইরেংবা (৯৮৪–১০৭৪) স্নাহাক্তক্তা হেন্না মপুংফাবা মওংদা কংলাদা মেরা হাওজোংবা পাঙথোকখিবদগী হৌরগা মখা তারকখিবা নিংথৌ ৫৭ ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু হিন্দুনাইজেসনগী ঈচেলনা ঈরাওখোলগা লোয়ননা চেনশিল্লকখিবা তাঙ্কক খরদা মেরা হৌচোংবা থৌরম স্নাকোনুংনা পাঙথোকখিদে। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না, ইং ১৯৮৫–৮৬ দা স্নাকোনুংদা অমুক্তং পাঙথোক্লম্লগা মখা তাবা চহি ১০ পাঙথোকপা ঙমখিদে। মীয়ামগী ঈহৌগা লোয়ননা ইং ১৯৯৫ দা স্না কোনুংনা পাঙথোকপা হৌখিবদগী ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। মসিগী কান্নবা য়াম্না ফংলি। মসি য়াওদনা মণিপুরগী অপুন্বা শক্তম শাগৎপা ঙম্লোই। মসিদা হেন্না কোক থাদদুনা অমসুং থবক ওন্থোকপা য়াবা ইনষ্টিট্যুসনশিং হন্না হিংগৎহন্দুনা হেন্না শাফু লৈনা পাঙথোক্লবদি ঐখোয়গী পুৱারীগী লীক্লমচৎ ওইরিবা অপুন্বগী শক্তমদা অকনবা ঈনোৎ পীহনবা ঙমগনি।

# মৈতৈ / মীতৈনা সেড্যুলদা চনবদা কনানা য়াদবা?

দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, গোৱা, য়ুপিনচিংবা লম্বী থোং ফবা ষ্টেট খরা নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিং ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টগী চাওখৎ থৌরাংগী মখাদা লম্বী থোং ফত্তবা চীংগী লম ওইবা নৎত্রগা ভারতকি ময়োল লমদগী লাপ্না লৈবা মরম্না চাওখৎপদা তপ্পা কাঙলুপকি মী ফুরুপ খরবু ঙাক্লৌ (সেফগার্ড) পীদুনা মী ফুরুপ অদু সেড্যুল ট্রাইব হায়না খন্দোক্লি। লম্বী– থোং ফত্তবা অরাপ্পা মফমদা লৈবা মৈতৈশিং শোম্বা ফুরুপ ওইরি, তেংবাং ফংবা য়াবা ফুরুপকি কাখল (সেড্যুল) দা হাপ্পু হায়না মীতৈ মীয়াম্না পুখৎনরক্লি। করি মরমদগী চহী ৬৫গী মমাঙদা সেড্যুলদা চল্লমদ্রিবনো হায়বদু হায়বদু নৈনজরি। মরুওইবা মরমদি অচৌ–অশাংশিংনা থিংলম্বনি ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনদি য়ারম্বনি হায়বসি থিগৎলুবদা খঙনরক্লে। এসটি তানবা কাঙবুনা ২০১৩ দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবীরম্বা মনমোহন সিংহ উনরুবদা ‘I know it, I am willing to grant it’ হায়রকখ্রবনি। কংগ্রেসকিদি লাইগুম্লবা নুপা অসিনা ইথবীরক্তুনা মৈতৈগী ইথনোগ্রাফি অমসুং ইনৌ নৌরিবা সোসিও ইকোনোমিক সর্ভে রিপোর্ট থাগৎলকউ হায়না মণিপুর গবর্ণমেন্টদা চে থারকখ্রবনি। খোঙচৎ অসিদা ট্রাইবেল এফিয়ার্স মিনিষ্টরনসু ‘We are ever ready to grant but you Meiteis did not accept it’ হায়না হায়রকখ্রবনি। ঐখোয়গী ৱাফম

অসুম্না, এসটি ষ্টেটস মীতৈদা পীবা য়াবরা থিগৎপা ১৯৪৯ গী মাইনোরিটি কম্মিসনগী দিল্লিদগী লাকখিবা মীওই অনী খাসি মচা নিকোলাস রোই অমসুং অসামী মচা গোপিনাথ বোরদোলোইদা মৈতৈদি হিন্দুগী আর্য্য ফুরুপকি অৱাংবা থাক ক্ষত্রিয়নি হায়জিনখিবদগী জেনরেল ওইনা লৈহনখিবনি। ১৯৮১ গী এসেমব্লীদা রিশাং কৈশিংনা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মৈতৈ / মীতৈ সেড্যুল ট্রাইব ওইরসি হায়না পুখৎখি। ইজরিবা ইশামক গবর্ণমেন্টগী মীহুৎ ওইনা তাবা ফংজনি। এমএলএ অমত্তনা হোয় হায়খিদে। এসেমব্লীদা পুখৎপদা শৌগৎখিদবা অমদি হৌজিক হৌজিকসু ঈ–মেলদা, পাউচেদা ইখৎনরক্লিবা ৱায়েৎ কয়া অসিসু লাইরিক লাইশু হৈরবা, ফম য়াম্না চাওবা পায়বা কাঙলুপশিংননি। গবর্ণমেন্টনসু মীতৈ মচানা চীফ মিনিষ্টর ওইরি, করি ৱাখল লৈবগে খঙদ্রি।

মণিপুর ইনাকখুল্লে হায়রিবা, ফম চাওরে হায়রিবা, লাইরিক হৈরে হায়রিবশিং ভারতকি মকোক থোংবা ফুরুপশিংগা (জেনরেলশিংগা) য়েংনরুবদা য়েরুমগা নুঙগনি হায়বসি মীতৈনা খঙদে।

অসুম্না মৈতৈনা পঙবদগী শোয়খিবা, মাঙজবা কয়া লৈরি। ঈদা তোংদা য়াওজবা অপং–অশিংগী চাং অদুনা মরম ওইদুনা শক–চু, চাকচা–য়ুথক, ৱাখল, মীনুংশি খেন্নবা মীয়না মীতোপশিংগা ঐখোয় শ্বাইগী মশেল উংখৎনগনবা, শাওগৎপা থুবা, তনগনবা অসিনচিংবা লৈজবা কাঙলুপ অসিগা লম্বা ঙম্লোই। মরম অদুনা কাংখুল মুৎহল্লোইসি হায়রবদি ভারত সংবিধান্না য়ারবা য়েল্লৌমী (এসটি) ওইহৌবা হায়বসিনা ওইগনি। য়োনবা য়াদবা পোক্লফম লমদম ওইহনসি। অদুম তৌরবদি, মীতৈশিংগা, চীংমী–ইচিন ইনাওশিংগা হেন্না নকশিন্নবা ঈগী মরী লৈরগনি। হান্নগী মচিন–মনাও ওইরম্বগী মরী অদু শেমগৎপনি। মান্নবা হায়বসিদা ফত্তবা অমত্তা য়াওদে। মসিবু ইংরাজিদা হোম কমিং কৌই। ইজরিবগী মিৎপী পি শিন্থদুনা কোনশিন্নদুনা কপমিন্নবা অমা থোকখি। ইচানুপা ইবোয়াইমনা লৈখিদ্রবা মিনিষ্টর ওইরম্বা আইদি দিজোনাংগী মচানুপী অতোনবী লৈশিৱোন দিল্লিগী চর্চ অমদা লুহোংলগা ইচাগী অৱাইবা য়ুমদা ইমৌ ওইরবী লৈশিৱোন থিল্লকপগী মতাং অমদা মখুরা কেদি শিনাংনা কপ্না কপ্না চীংমী–তম্মীগী মরক্তা লৈরম্বা চৈখল অদু ঙসিদগী লৌথোক্লে হায়বগা লোয়ননা ইবানি কোনশিন্নদুনা কপমিন্নখি। মতম অদুদা ঐনা ঈশ্বরবু থাগৎচখি মরমদি ঐদি অসিগুম্বা মপুগী থৌইনশিন অসিতবু খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবনি।

নিংথৌজম নিলচন্দ্র

মৈতৈ / মীতৈ সেড্যুল নত্তে অৱাংবা থাক কারবা জেনরেল ক্লাসকি সিটিজননি হায়না পোংজরিবশিংদা মখাগী ৱাহংশিংসি থমজরি। ঐখোয় ঙসিদগী চহী লীশিং অনীগী পুৱারী লৈরবা অৱাদা নত্তনা চিনা ফাওবা লান্দা মায়থীবা পীখ্রবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমগী চাদা নাওদানি হায়বা অসিদং পুৱারী নৈনদবা কাঙবুনা হেক হেক চীনফা ওইনা হায়। অদুবু, চহী লীশিং অনীগী মমাঙ চহী লীশিং মঙাগী মমাঙদা মৈদিঙু কাংবনা চীংদগী কুম্লক্লগা কাঙমোংদা কোনুং শেমদুনা পাল্লম্বা অসিদি য়ানিংদৱা? মাগী মতমদগী শগোল কাঙজৈ শান্নবা হৌদোকখি। মৈদিঙু কাংবনা, মৈতৈনা, ‘‘খেবু’’ মাও মরাম কাঙলুপনা ‘‘খেপু’’ অমসুং কোহিমারোমদা লৈরিবা কাঙলুপনা ‘‘জেফু’’ হায়বা চীংনা কোইশিনবা পাক্লা তোংবা কৌৱু চীংশাংগী মখেল হায়বা মফম অসিদগী পূন্না লৈমিন্নরম্লগা মাগী কাঙলুপ অমা খা মায়কৈরোমদা চাদা নাওদা শন্দোক্তুনা কুম্লকখিবনি। মজা ইবুঙো অমা পোকখি হায়বগী অঙাং পোকখিবা মফমদুদা কাংপোকপী থোনখি হায়না কাংবরোন পুয়াদা লৈ। কাঙলুপ খরনা নোংপোক হারমদা চৎখি মখোয় অদু তাংখুল ওইখি। লৈহৌরিবা কাঙলুপ অদু হৌজিক্কী মাও মরামনচিংবশিং ওইরিবসিনি। নীংশিংবা য়াই মাও মরামদা কংলা কৌবা, কাংবা কৌবা, কপিং কৌবা, ক–না হৌবা মীগী মমিং য়াম্না হৌজিকসু লৈ। মাও কাঙলুপনা ইম্ফালদা চৎকে তৌবদা ইম্ফাল চৎকে হায়নদে ইম্ফাললোম থংবা লম অসি মনাওনুপা ‘কশে’ গী লমনি খন্দুনা কশেগীদা চৎকে হায়না হৌজিক চৎনবী ওইনা হায়নরি।

পুয়া পূম্নমক্লা হায়রি মদুদি মীদি খেবু চীংদগী নোইয়ে (হৌরকএ) হায়। কাংবরোল পুয়াদা পীরিবা মফমদুগা মান্নরি। মৈতৈদি মালেমগী মী হৌরকপা অহানবা মফমনি হায়না মালেমগী মী পূম্নমক্লা য়ানরবা মফম ‘য়ুনান’ লৈবাক্কী মনাকৱাই হৌজিক চিনাগা ইন্দিয়াগা লোন্নবা মফম অসিগা হেক থংননা লৈরিবা মফম মণিপুরদা লৈরিবনি। য়াম্না লিরবা মী কাঙলুপনি, মরম অদুনা নাগালেন্দগী মী কাঙলুপশিং য়াওনা মণিপুরগী য়েল্লৌমীশিং–মাও, মরাম, তাঙ্খুল, মৈতৈ, জেলেরোং কাঙলুপশিং মী অরিবনি।

অরোইবদা থমজরিবা ৱাহংদিঃ মৈতৈ / মীতৈশিং (জেনরেল) ওইরিবসি ইবুধৌ পাখঙবগী চাদা নাওদা খুৎকন–পাঙ্গনবা লৈবাক ওইরম্বা মশাগী লোন, ময়েক লাইনিং লৈজবা কলচর ৱাংবা মী ফুরুপ ওইবগী ইন্দিয়া গবর্ণমেন্টনা মৈতৈবু জেনরেল (অৱাংবা থাক্কী মী) চিংহনখিৱা নৎত্রগা হিন্দু লাইনিং চৎপা ক্ষত্রিয়া ওইবা মহাভারতকি ব্রভুবাহনগী ধারানি হায়না লৌখৎপীখিবরা?

মতমদুদা ইন্দিয়ানা ইবুধৌ পাখঙবা (লাই) লাইনিংথৌ সনামহি (পাখঙবগী ময়াম্বা) ইকায়খুম্নৱা / শকখঙখিৱা? নাগা ইরুপচাশিংনা পারী–পুরী হেন্না খঙই হায়বগী খুদমসু লৈ। নাগা ৱিক কৌবা মালেমগী য়েল্লৌমীশিংগী (য়ুএন ইন্দিজিনস পীপল ইয়ার) নাগাগী খ্বাইদগী মরুওইবা মীফম অমা কোহিমা লোকেল গ্রাউন্দা ১৯৯৩, ডিসেম্বর ১দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখি। মীফম অদু নাগা ইমুং অমগী মীওই অমা শোয়দনা য়াওগদবনি, নুঙ অমমমসু পুরক্কদবনি খ্বাইদগী চাওবা মীফম অদুগী অহৌবা নুমিৎকি চীফ গেষ্ট ঐখোয়গী লৈখিদ্রবা ইনিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎপু ওইহনখিবনি। ভারতকি খ্বাইদগী চাওবা প্রসিডেন্ট নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরবু ওইহনসি হৌদোকহনখিবদা য়ানদদুনা ইপা ইপুগী ঈগী মরীদা হেন্না লুনা খন্নবনা ওকেন্দ্রজিৎ ওইহল্লসি হায়দুনা য়ানখিবনি, ওইখিবনি, নাগাগী নাৎকি ফিজোল শেৎপা থাং তা পায়বা মীশিং থারকখি, গাড়িশিংসু থারক্তুনা লৌবা লাকখিবনি।

তাঙ্খুলগা মৈতৈগী ঈ মরীদা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবদুনি। ওক মপীনা মচা পোকপসি য়ুময়াদা পোক্তে অশোংবা উমংদা পোকই। ওক মচা পোকফম থিরকপদা ওক ফংবা মফম ওকনাওপোকপী (য়াইঙংপোকপী) হায়রিবা মফমদা হুন্দুংদগী কুম্লকপা মচিন মনাও অনী কায়নখি। মনাওনা চীংদা কাবা ঙম্লরোই মফম অসিদা পাল্লগে হায়দুনা পানখি। তমদা লৈখিবা মনাওনুপা হিংলি খঙননবা মৈবুল থাল্লকউ ময়াম্বনা চীংদা লাম্মৈ থারক্লে হায়নখিবগী মেরা থাদা তম্পাক্তঃ লৈখিবা মনাওনুপা (মৈতৈ) শিংনা মখোয় লৈরি হায়না খঙনবা অৱাংবা ৱা পরেং য়ুম য়ুমদা য়ুংদুনা ৱাতোন্দা মৈ থাবদুগী মঙাল উবা, লম তাঙ্খুলগী মরোলদা লমগী মমা ‘রমবু’ মৈতৈনা ‘লম্বুই’ (উখ্রুলগী লম অমগী মমিং) খুনগী মীশিংনা মৈ উরে ‘মৈ থৈ’ হায়না থোক্লগা লাওই ‘শোকবাও’ হায়নবা লৈ। মৈথৈদগী মৈতৈ অদুগা ময়াম থোক্তুনা মৈ উবা মফমদা থিদুনা লাওবা ‘শেকবাও’ মফম অদু শোকপাও কৌদুনা খুন অমা লম্বুইগা থংননা লৈ। মৈতৈগী উমং লাই হরাওবদা তাঙ্খুল শাবা, নুরাবী শাবা পাম্লৌ য়ানবা ফৌ থাবা য়াওরিবদুনি। চীংমী–তম্মী ঈ মরীদা ইচিন–ইনাওনি হায়বগী ৱারী য়াম্না লৈ কনা অমত্তনা য়েত্তুনা নমহৎপা ঙম্লোই।

সেড্যুল ট্রাইব ওঞ্জগে হায়বা মী ফুরুপ কয়া য়াদদুনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থাঙ্গৎনদুনা অন্দলোন তৌনদুনা লৈরি। মী শিবা ফাওবা য়াওখ্রে হায়না তাজৈ। মরম চাদ্রবদি য়াদে। অদুবু মীতৈ ঐখোয়গী ডিমাঃদি ‘ওঞ্জগে’ হায়বা নত্তে ‘হঞ্জিঞ্জগে’ হায়বনি। ঐখোয় চীংমীনি চীংমী ওইনা হৌরকপনি, মণিপুর পুম্বা চীংগী লমনি। চহী লীশিং তরা কুনগী ৱা নত্তে, মণিপুরদা মী লৈবা হৌরকপদগী লৈমিন্নরক্লবা ইপা অমত্তগী মচা ঙাক্তনি। ইয়াম্বনা এসটি ওইরগা মনাওনা জেনরেল ওইবা য়াৱা? থীল্লবনি, অরানবা চুমথোকপা।

মণিপুরদা লৈবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মৈতৈনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ফুরুপনি হায়না লৌবদা পুম্লান লানবদি নত্তে অদুবু ভারতকি ওইনা য়েংলবদি এসটি ওইফম থোক্লবনি। ১৮৯১ দা খোংজোম লান তৌই। লাইরিক তমদ্রি অদুবু ভারতকি সিটি খরদদি ১৮৫৮ দা য়ুনিবর্সিটিশিং ফাওবা লিংখৎনখ্রে। ঙসি ফাওবদা মণিপুর য়ুনিবর্সিটি মপুং ফানা চলাইবা ঙমদ্রি, শিথরক্লি । করম্না মৈতৈগা ভারতকি সিটিশিংগা লৈরিবা অৱাংবা থাক্কী মীগা লাইরিক লাইশুদা চাংদম্নবা য়াগনি।

ঐখোয় জেনরেল ক্লাসকি মী নত্তে এসটিদা হঞ্জিঞ্জগে হায়না নীংজবা ইচিন–ইনাওশিংগী পুক্লিং লাংদনবা কনাগুম্বা জেনরেল ওইনা লৈনিংবা ইচিন ইনাওশিংনা ওইদবা পংহায় হায়জিনবা, পংই ইশিনবা তৌবীদবা ফৈ হায়না খঞ্জে। মৈতৈশিংনা এসটিগী লিষ্টতা চল্লকপদা থবক্কী কোটাদা চীংমীশিংগী ইন্টরেষ্ট শোক্তেঃ, লম–তুগী য়েংনবা লৈরোই হায়বসি মমাঙথক্তা কয়ারক মরম পীদুনা নৈনজখ্রে। মৈতৈসু এসটি ইন্টরেষ্ট ওইনা শকখঙলবদা ধর্ম্ম হোংগদবা লৈতে অমসুং চৎনবী, ইনাৎ, কলচর হান্নগীদু অদুম লৈগনি।●